# চিফ মিনিষ্টরনা সোনিয়া গান্ধীগী য়ুমদা

# হোম মিনিষ্টর শিন্ধেগা উন্নখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জনুৱারী ১১ঃ*** মথং থা ফেব্রুৱারী ২৩দা নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মাংওইননা এনএসসিএন (আইএম) অমসুং ভারত সরকার অনিগী মরক্তা হৌজিক চত্থরিবা ইন্দো-নাগা পিছ তোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনরিবা অসিগা মরী লৈননা সেন্টরনা কৌশিল্লকপদগী ঙরাং দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী ঙসি সোনিয়া গান্ধীগী ওফিসতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুসিলকুমার শিন্ধেগা উন্নখ্রে হায়না প্রেসনা ফংবা পাউগী সোর্স অমনা হায়রি।

পাউগী সোর্স অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, নিউ দিল্লিগী টেন জনপটতা লৈবা শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধীগী য়ুমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উন্নখিবা অদুদা ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরম অমসুং য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর এ কে এন্থোনিসু য়াওখি হায়রি। চাওরাক্লা পুং ১ রোম চুপ্পা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইসু অসিগী ৱারোইশিন পুরকপগা মরী লৈননা ৱারী শানখি হায়রি। অদুম ওইনমক ৱারী শানবা অদুদা করি করি হায়নখিবনো হায়বদুদি প্রেসনা ফংবা ঙমদ্রি।

অদুম ওইনমক ৱারী শানবা অদুদা এনএসসিএন (আইএম)না য়াম্না কন্না দাবী তৌরিবা মণিপুর য়াওনা অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী নাগা তাবা লমখৈগী শরুকশিং পুনশিল্লগা গ্রেটর নাগালিম অমা শেম্নবা দিমান্দ তৌরিবা অসিগী মতাংদা ওইগনি হায়রি। এনএসসিএন (আইএম)না দিমান্দ তৌরিবা গ্রেটর নাগালিম শেন্বগী ৱাফম অদুদগী খরা থৈদোক্লগা মণিপুরগী নাগাশিংগী ওইবা অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্টকী দিমান্দ তৌরিবা অসি ওইরবসু পীনবগী মতাংদা ওইগনি হায়রি। হন্দক নাগালেন্দগী এক্স সিএম শ্রী জামিরনা লুচিংবা নাগালেন্দ কংগ্রেসকী টিম অমা ইম্ফালদা লাক্লমখিবা অদুসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুসিলকুমার শিন্ধেগী ইন্সত্রক্সন মতুংনা ইন্দো-নাগা পিছ তোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপগা মরী লৈননা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী কনভিন্স তৌনবা লাকখিবনি। মমাংদা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা এনএসসিএন (আইএম)গী লিভিংষ্টোন ফাননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা প্রেসর তৌবা চৎলুবা অদুদসু হোম মিনিষ্টরনা এনএসসিএন (আইএম)গী পিছ তোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা গ্রেটর নাগালিমগী দিমান্দমক নত্রবসু নাগাশিংগী অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্টবু ওইরবসু অমদি পীদবা য়াররোই হায়না খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি। লোয়ননা পিছ তোক অসিগী ইন্টরলোক্যুটর আরএস পান্দেনসু ইশু অসিদা ৱারী শাননবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা য়াম্না কন্না খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক মমাংগী চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুসিলকুমার সিন্ধে অমসুং ইন্টরলোক্যুটর আরএস পান্দেগা উন্নখিবা অদুদা মণিপুরগী মেপ অমমম পীরদুনা নাগাশিংনা গ্রেটর নাগালেন্দ শেম্নবা নত্রগা অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্টকী দিমান্দ তৌরিবা লমগী শরুকশিং অদুগা কুকিশিংনা দিমান্দ তৌরিবা কুকি ষ্টেটকী লমখৈগী শরুকশিং অদু ময়েক শেংনা তোঙান তোঙানবা মচুনা শঙদুনা খঙহল্লমখিবনি। শিনা ফংখিবা অসি সরকারনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে হায়বগী মতিক চাবা প্রমাননি।

ব্যুজিনেসমেন অদুবু ফাদুনা পুখিবদা ষ্টেট সেক্যুরিটি আইআরবিগী পার্সোনেল চেন্নরল্লিবসি মখোয়বু রিক্রুইটমেন্ট তৌবা মতমদা করপসন তৌদুনা কংগ্রেস সরকার অসিনা লৌখিবগী খুদমনি হায়না তাপির গাওনা ফোংদোকখি।

মহাক্লা মখাতানা ফোংদোকখিবদা ইবোবীনা হোমগী চার্জসু পুদুনা হৌখিবা চহি ১০ রোম চিফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা মীচম প্রজা কয়া কাউন্টর ইন্সরজেন্সিগী মীংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফেক এনকাউন্টরদা হাৎখ্রে হায়বগী খুদম ফংবদগী সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুরদা চত্থখিবা ফেক এনকাউন্টর কয়াবু থিজিন্নবা সুপ্রিম কোর্টকী রিটয়ার্দ জষ্টিস সন্তোশ হেগ্রেনা লুচিংবা হায় পাৱার ইনক্কারী কম্মিসন অমা হনদক্তা শেমখ্রে। মসিনা মণিপুরদা হৌখিবা চহি খরা অসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাউন্টর ইন্সরজেন্সিদা চত্থখিবা মিসয়ুজ অমদি হায় হেনদনেসশিং অদু খরমখৈদি পুথোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

আইএলপি গী মতাংদা তাপির গাওনা হায়খিবদা আইএলপিগী ইশু অসি বিজেপিনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মণিপুরগী ইনিদজেনস মীয়ামগী হক ঙাক শেন্নবা মণিপুর সরকারনা অনৌবা লেন্দ লো অমা শেম্নবা বিজেপিনা দিমান্দ তৌরি হায়না তাপির গাওনা ফোংদোকখি।